**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 29.06.2024)**

**মেট (এল)ঃ** মনিপুরদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোং কন্না চুবদগী রাজ্য অসিদা চেল্লিবা মরুওইবা তুরেলশিংগী ইমায় ৱাংলে।

ইম্ফাল ফাওদুনা চেল্লিবা নম্বুল তুরেল অমসুং ইম্ফাল তুরেলগী ইমায় কা হেন্না ৱাংলে। নম্বুল তুরেলগী ইমায় খুদোংথিনিংঙাইগী থাক্তা চেল্লি। অদুমওইনমক, ইরিল তুরেল, কোংবা অমসুং থৌবাল তুরেলগী ইমায়দি কা হেন্না ৱাংদ্রি। তুরেলগী মরূশিংদা নোং কা হেন্না চুবদগী ইমায় ৱাংখৎলকপনি হায়রি।

ইন্দিয়ান মেটিরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট, ইম্ফাল সেন্টরনা হায়-রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা লাক্লিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা অখাক অরাওগা লোয়ননা অকনবা নোং চুগনি। সেনাপতি জিলাগী মফম কয়াদা ঙসি অমসুং হয়েং অখাক অরাওগা লোয়ননা অকনবা নোং চুগনি। লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতনা তমেংলোং, সেনাপতি, কাংপোকপী, উখ্রুল অমসুং জিরিবামগী মফম কয়াদা পাক্তকনা অকনবা নোং চুগনি।

মেট দিপার্টমেন্টকী পাউ মতুং ইন্না খা নোংচুপলোমদগী হৌরকপা কুমগী নোং অৱাং ভারতকী মফমশিংদা চংশিল্লক্লি। মসিনা মরম ওইদুনা রাজস্থান, নোংচুপ থংবা উত্তর প্রদেস, হরিয়ানা, দিল্লি, মধ্য প্রদেস, ছাতিসগর, নোংচুপ বেঙ্গোল, ঝরখন্দ, বিহার অমসুং উত্তরাখন্দগী মফম কয়াদা পাক্তকনা নোং চুরগনি। পাউ অসিনা হায়-সব হিমালয়ান ৱেষ্ট বেঙ্গোল, সিক্কিম অমসুং অরুনাচল প্রদেসকী মফম কয়াদসু অকনবা নোং চুগনি।

**কন্মিসন (এল)ঃ** মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কন্মিটিকী ৱাকিং প্রসিদেন্ট কেঐচ দেভবরতনা হায়রি-রাস্ত্রপতি দ্রৌপতি মুরমুনা ঙরাং সংসদকী অপুনবা মীফমদা পীখিবা ৱারোলদা মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাং অসিগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা

পনখিদবা অসি য়ামা লাইবক থিবনি। লৈবাক্কী মরুওইবা অমদি লাক্কদৌরিবা চহী অসিদা পায়খৎকদবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা খঙহন্নগদৌরিবা মীফম অমনি। অসিগুম্বা মীফম অমদা পীবা রাস্ত্রপতিগী ৱারোলদা মণিপুরগী ৱাফম অমত্তা য়াওখিদবা অসি এম.পি.সি.সিনা কন্দ্রেম তৌরি।

ইম্ফালগী বিটি রোডতা লৈবা কংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকপা পাউমী মীফম অমদা দেভবরতানা হায়-রাস্ত্রপতিনা অৱাং নোংপোক ভারতকী রাজ্যশিংগী চয়েৎনবশিং ৱারোইশিন পুরক্লে। হৌখিবা চহী ১০ অসিদা রাজ্যশিং অসিদা লৈরম্বা ৱাথোকশিং লোইশিন্নবা য়ান-চে কয়া অমা সহি তৌনখিবা লৈরে হায়খি। অদুবু হায়রিবা ৱাফমশিং অসি দল অসিনা য়াবা ঙম্লোই। মরমদি অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা তোঙান তোঙানবা হিরমশিংদা চয়েৎনবা কয়া লৈরি হয়নসু নিনদা তৌখি।

**ডে (এল)ঃ** লৈবাক শিনবা থুংবদা পাঙথোকপগুম মনিপুরদসু ঙসি ১৮ লক শুবা নেসনেল ষ্টেটিষ্টিটেক্স ডে-২০২৪ মনিপুর য়ুনিভরসিতিদা পাঙথোকখি। য়ুনিভরসিতি অসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ষ্টেটিষ্টিটেক্সনা ‘য়ুজ ওফ দাটা ফোর দিসিজন মেক্কিং’ হায়বা হীরমদা নুমিৎ অসি ভাইস চাঞ্চেল্লরগী কোর্ট হোলদা পাঙথোকখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা ষ্টেটেষ্টিক্স দিপার্টমেন্টকী এসোসিয়েট প্রোফেসার-ক্ষেত্রিময়ুম অনন্দনা হায়-ভারতকী শকাইরবা ষ্টেটিষ্টসিয়ান-পি.সি. মহালানোভিসগী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা মহাকা লম অসিদা পীরম্বা থৌদাংশিংবু শক খঙবা ওইনা নুমিৎ অসি নীংশিংদুনা পাঙথোকপনি।

**ওপরেসন (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙসি ককচিং জিলাগী মনুং চনবা কৈরক মনিং লৈকাই মুস্লিম এরিয়াদা থিবা হুম্বগী থবক চথখ্রে।

ঐখোয়গী ককচিং পাউমীনা হায়-ঙসি অয়ক্ পুং ৯ মখায়দগী ১০ মখায় ফাওবা চথখিবা থিবা হুম্বগী থবক অদুদা য়ুম ৪৫ দা লৈবা মীওই ১০৫ মশক

খঙদোকখি। অদুমওইনমক, মীফা-মীপুনগী পাউ লৈতে।

অমরোমদা, বিষ্ণুপুর জিলাগী কুম্বী বিধান সভা কেন্দ্রগী মনুং চনবা নেসনেল হায়ৱে ১৫০ পরিং ফৌগাকচাউ ইখায়দা সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা ঙসি অয়ুক পুং ৭ তগী ৯ মখায় ফাওবা থিবা হুন্দ্বগী থবক চত্থখি।

অককবা পাউ অমা ফংবদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা চান্দেল জিলাগী শিংতেম অমসুং তৌপোকপীগী তায়নবা মফমদা থিবা হুন্দ্বগী থবক চত্থবদা শেমদোক্লবা পোমপী অমা, গ্রেনেদ অনিগা লোয়ননা পোৎলম কয়ামরুম ফংলে হায়রি। ফারবা পোৎলমশিং মনিপুর পুলিসতা খুৎশিন্নখ্রে।

**গুনো(এল)ঃ** অইবা-হিজম গুনোগী ৯৮ শুবা মপোক কুমওন ঙসি ইম্ফালগী কৈশাম্পাৎতা লৈবা দি.আই.পি.আর. ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

হিজম গুনো ফাউন্দেসননা শিনবা থৌরমগা মরী লৈননা মীতৈ ময়েক্তা ইবা-বির টিকেন্দ্রজিৎ রোড হায়না মিংথোনবা লাইরিক অমসু ফোংখি।

**এৱার্ড (এল)ঃ** আর.কে. সনাতোম্বা মেমোরিএল ত্রষ্টনা চহি খুদিংগী জর্নেলিষ্টশিংদা পীবা আর.কে. সনাতোম্বা মেমোরিএল এৱার্ড ২০২৪ হয়েং ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা ত্রষ্ট অসিগী কোম্বিরৈ হাউসতা পাঙথোক্লগনি হায়রি। থৌরমগা মরী লৈননা কংলা লানপুংগী ১৫ শুবা এদিসনসু ফোংগনি।

**মহেশ (এল)ঃ** মীতৈ-মৈতৈবু সেদ্যুল ত্রাইববকী লিষ্টতা চলহনবীয়ু হায়না আর.পি.আই (অথাৱালে) গী নেসনেল জেনরেল সেক্রেটরি-মহেশ্বর থৌনাওজমনা কেন্দ্রগী ত্রাইবেল এফিয়ার্স মন্ত্রি-জ্য়েল ওরামদা তকশিনখ্রে।

আর.পি.আই. (অথাৱালে) গী নেসনেল প্রসিদেন্টসু ওইরিবা কেন্দ্রগী সোসিএল জষ্টিস অমসুং ইম্পৱারমেন্ট মন্ত্রি-রামদাস বি. অথাৱালে অমসুং

মহেশ্বর থৌনাওজমনা ন্যু দিল্লিদা ঙরাং ত্রাইবেল এফিয়ার্স মন্ত্রি-জ়য়েল ওরামগা উন্নদুনা মীতৈ-মৈতৈবু এস.টি. লিষ্টতা য়াওনবা তকশিনখিবনি।

উন্নবা অদুদা কেন্দ্রগী মন্ত্রি অসিদা মেমোরেন্দম অমসু খুৎশিন্নখি।

**জিরিবাম (এল)ঃ** জিরিবামদা সোইবম সরত কুমার শিখিবগা মরী লৈননা শেমখিবা জে.এ.সিনা ঙসি জিলা অসিগী লমলোং কৈথেলদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে। ৱাকৎ মীফম অদুদা সরতকুমারগী মীহাৎতা চেন্নবশিং অথুবা মতমদা ফাগদবনি। মনিপুরদগী নার্কো টেরোরিষ্টশিং লৌথোক্কদবনি। মনিপুরগী ঙমখৈ কায়বা য়ারোই হায়বা খোল্লাউনচিংবা লাউখি। ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা অমনা ফোংদোরকপগী মতুং ইন্না জে.এ.সিগা সরকারগা য়ান্নখিবা ৱাফমশিং থবক্তা ওন্থোক্কদবনি নৎত্রবদি মখা তাবা খোঙজংশিং চংশিনগনি হায়রি।

**জিরিবাম (এল)ঃ** জিরিবামদা থোক্লিবা কাংলূপকী ইরাংনা মরম ওইদুনা মফম তরেৎতা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা- দা লিগ ওফ কেলাউ পেত্রিওটস ইম্ফালগী মেম্বরশিংনা মতেং পাংখ্রে।

লুপ অসিগী মেম্বরশিংনা তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিং অসিদা লৈরিবা মীওইশিংগা উন্নদুনা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং খুৎশিন্নখি।

**কমিতি (এল)ঃ** রিলিফ মেনেজমেন্ট কমিতি-জিরিবাম কৌবা কমিতি অমা শেমদুনা জিলা অদুদা হৌজিক মায়োকরিবা খুদোংচাদবশিং থেংননবা থৌরাংশিং পায়খৎপা হৌরে।

মীওই ১২ না শাবা কমিতি অসিগী কনভেন্নরনা-এন. চিংলেম্বা সিংহনা ওইরে। জিরিবাম জিলাদা হৌজিক থোক্লিবা ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা কনাগুম্বা মীওই নৎত্রগা সংস্থানশিংনা মতেং পাংনিংবা লৈরবদি কমিতি অসিগী খুত্থাংদা মতেং পাংবীনবা কনভেন্নরনা খঙহল্লক্লি।

**উখ্রুল (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিস ওথোরিতি-উখ্রুলনা তাংরৈ পাব্লিক ওর্গনাইজেসনগা পুন্না শিনদুনা পোক্সো এক্ট, পাব্লিক ন্যুসেন্স অমদি এফ.আই.আর. করমা থাংগৎকদগে হায়বসিগী মতাংদা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবা মীফম অমা উখ্রুলদা লৈবা তাংরৈ হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। খন্ন-নৈনবা অদুদা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সাভির্সেস ওথোরিতি অমদি জে.এম. এফ.সি. কোর্ট উখ্রুলগী এক্সপার্টশিংনা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাংখি। নুপীনা মশিং য়ামা শরুক য়াখিবা লিগেল এৱারনেস প্রোগ্রাম অদুদা রিছোর্স পাসনশিংনা অঙাংশিংদা নমজা নমথোক তৌবা করমা ঙাকথোক্কদগে হায়বদুগী মতাংদা মরিক চুম্বা ৱাফমশিং ফোংদোকখি।

**সফাই (এল)ঃ** সফাই কর্ম্মচারি শঙ্ঘ মনিপুরনা হায়রি-ইংকুমজা ২০২৩ গী সেপ্তেম্বর ১১ দা দিপ্যুতি লেবর কম্মিস্নারগী ওফিসতা মহুদ, মুদা অমদি শঙ্ঘ অসিগী মীহুৎশিংগা ফম্মীন্নদুনা সফাই কর্ম্মচারিশিংগী য়াইফ থৌরাংগী মতাংদা য়ান্নখিবা ৱাফমশিং থবক্তা ওন্থোক্ত্রে হায়রি।

শঙ্ঘ অসিগী প্রসিদেন্ট অমসুং জেনরেল সেক্রেটরিনা সহি তৌদুনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-মতম অদুদা য়ান্নখিবা ৱাফমশিং অথুবা মতমদা থবক্তা ওন্থোকপীনবা মরী লৈনবশিংগী পুকিং চিংশিল্লি।

**ওকপা (এল)ঃ** য়ুনাইটেদ ক্লব ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ৱার্ড নম্বর ফোরনা চহি খুদিংগী পাঙথোকপা মেরিটোরিএস এৱার্ড ঙসি দিবলপমেন্ট কমিতি য়ুথ সেক্সন-উরিপোকা শিনদুনা উরিপোক কব্রাবম লৈকাইদা লৈবা কুম্বিরৈ কৈথেল কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

মদুদা, ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্বতা মকোক মথং তাখ্রবা মহৈরোইশিংদা মনা পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** ৱেষ্ট ইন্দিষ্ট অমসুং য়ু.এস.এনা য়ুন্থু ওইদুনা চথরকপা টি-টোইন্তি মেন্স ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপকী ফাইনেল হৌজিক ঙাইহাক্কী মতুং পুং ৮ তাবা মতমদা ৱেষ্ট ইন্দিষ্টকী কেনশিংটন ওভেল-বরবাদোসতা ভারত অমসুং সাউথ আফ্রিকা শান্নরগনি।

সেমি ফাইনেলদা ভারতনা ইংলেন্দবু অমসুং সাউথ আফ্রিকানা অফগানিস্তানবু মায়থিবা পীরম্বনি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন ককচিংনা শিন্দুনা দি.এস.এ ককচিংদা চথরিবা ২০ শুবা কে.কে মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৪ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এস.দি.ও. পল্লেল অমসুং এ.আই.এফ.এ.ইরেংবন্দ পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা দ্রো চৎখি।

**ত্রেন্নিংঃ** য়ুনিয়ন টেরিটোরি লদাগতা লানগী এক্সরসাইজ চথরিঙৈদা খঙহৌদনা লাকপা ঈশিং ঈচাওনা লান্মীশিংনা তোংবা টেঙ্ক অমা চেন্থখিবদগী ভারত লান্মীগী মীওই মঙা শিরে হায়রি। থৌদোক অদু ঙরাং নুমিদাং টেঙ্ক অদুনা খোং অমা লান্না হোৎনরিঙৈদা ঈশিং থুমজিল্লকপদগী থোকখিবনি হায়রি।

লেহদা লৈবা দিফেন্সকী মচিন চৎপা মীশক অমনা হায়-লাইন ওফ একচুয়েল কন্ত্রোলগী দৌলাত বেগ ওদে লমদমদা টেঙ্কক্কী ৱারফ্যয়ার এক্সরসাইজ চথরিঙৈদা লান্মীগী টি-সভেন্টি টু টেঙ্ক অদু সিয়োগ তুরেল লান্না হোৎনরিঙৈদা ঈশিংগী ইমায় ৱাংখৎলকপদগী টেঙ্ক অদু থুমজিল্লকপদগী চেন্থখিবনি হায়রি। মফম অদুদা লান্মীশিং অদু কন্ননবা চংশিনবদা ঈশিংগী ঈচেল কা হেন্না কনবদগী লান্মীগী মীওইশিং অদু কনবা ঙমখিদবনি।

নোংপোক থংবা লদাগতা টেঙ্ককী এক্সরসাইজ তৌরিঙৈদা লান্মীগী মীওই মঙা লৈখিদবা অদুদা মনিপুরগী রাজ্যপাল-অনুসিয়া উইকেনা নুংঙাইতবা

ফোংদোরক্লি। সোসিএল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা রাজ্যপালনা হায়-লান্মীশিংগী থৌনা মতম চুপ্পদা অদুম্মক লৈখিগনি। লৈখিদ্রবা লান্মীশিংগী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি।

লদাগতা ত্রেন্নিং তৌরিবা ভারত লান্মীগী মীওই মঙা লৈখিদবা অদুবু মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা অৱাবা অমসুং নুংঙাইতবা ফোংদোরক্লি।

ভারত লান্মীগী মীওইশিং লদাগতা ত্রেন্নিং তৌনবগীদমক লৈরিবা অদুদা মখোয়না তোংলিবা টি-৭২ টেঙ্ক অদু খঙহৌদনা লাকপা ঈশিং ঈচাওনা চেন্থখিবনি। থৌনা ফরবা লান্মীশিং অসিনা মখোয়গী অরোইবা মীকুপ ফাওবদা লৌখিবা থৌদাংবু থাগৎপা ফোংদোকপগা লোয়ননা মখোয়না লৈবাক্কীদমক কৎথোক্লম্বা অসি তুং কোইনা নিংশিংদুনা লৈহৌরগনি। মখোয়গী আত্মানা ইংনা তপা শান্তি লৈনবা ঈশ্বরগী মফমদা থৌনিজরি।

**মনকিবাটঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী ১১১ শুবা মন কী বাট-পুকিংগী হয়েং অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোংদা শন্দোক্কনি। মসি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা থংন-থংননা অহুমলকশুবা প্রধান মন্ত্রি ওইরকপগী অহানবা মন কী বাটনি।

প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা মদুগী মনিপুরি ৱাহন্থোক শন্দোক্কুনা তাহনগনি। মসি নুমিৎসিমক্কী নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। হায়রিবা থৌরমশিং অসি এল.আর.এস অকাশবানি চুরাচান্দপুরদসু নুমিৎসিমক্তদা শন্দোক্কনি। দাইলেগ লোলশিংদনা মথং নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

**নিটঃ** নিট ইগজাম ৱাথোক্কী মতাংদা কংগ্রেস মমায় লৈদুনা চেল্লে হায়না কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রি-ধমেন্দ্র প্রধাননা হায়রি।

মহাকা হায়-সংসদতা হীরম অসিগী মতাংদা খন্নগদবা অদু কংগ্রেসনা নাথৈদুনা চেল্লি। মন্ত্রিগী ৱাফম অসি বিরোধি লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা লোক সভাদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা নিট ইগজামগী মতাংদা মপুং ফানা খন্ননবা ৱাফম

কয়া পুখৎখ্রবা মতুংদা ফোংদোরকপনি। বিরোধি দলশিংনা নিট ইগজাম ৱাথোক্কী মতাংদা বি.জে.পিনা লুচিংবা কেন্দ্র সরকারদা শিরক্লিবা মরালশিংগী মতাংদা হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা মন্ত্রিনা হায়-কংগ্রেস দলনা হীরম অসিগী মতাংদা খন্নবা পামদে। মখোয়না হীরম খন্নদনা লৈথোকপা পাম্মী। মখোয়গী অপাম্বদি সংসদতা চরাংনবা অমসুং অয়েৎপা পীবা হায়বসিনি।

অমরোমদা, নিট অন্দর গ্রেজ্যেট পরিক্ষাদা অরান অহুই কয়া তৌখি হায়বগা মরী লৈননা সি.বি.আইনা অহমেদবাদ অমসুং গোদ্রা জিলা য়াওনা গুজরাটকী তোঙান তোঙানবা মফম তরেৎতা থিবা হুম্বগী থবক চখ্লে। কেস অসিগা মরী লৈননা সি.বি.আইনা হৌজিক ফাওবদা পাটনাদগী মীওই অনি ফারে।

নিট (য়ু-জি) এন্ত্রান্স ইগজাম ক্বোইসন পেপর লিগ ওইখিবা কেসকা মরী লৈননা সি.বি.আইনা মীওই অহুম পাটনাদা পুরকখ্রে। মীওই অহুম অদু ঙরাং ঝরখন্দগী ফারবা মতুং মেদিকেল টেষ্টকীদমক ঙসি নুংথিল পাটনাদা লৈবা হোস্পিতাল অমদা পুরকখিবনি। নীংশিংবা য়াই, সি.বি.আইনা হজারিবাগ ওয়েসিষ্ট স্কুলগী প্রিন্সিপাল, ভাইস পিন্সিপাল অমসুং লোকেল জর্নেলিষ্ট অমা কেস অসিগা মরী লৈননা ফাখিবনি। মখোয়বু সি.বি.আইগী কোর্ট অমদগী রিমান্দ লৌথরবা মতুং মখা তানা ৱাহং পাউহং চখ্নবা পাটনাদা পুরকখিবনি।

**খাদিঃ** লৈবাক অসিদা খাদি অমসুং ভিলেজ ইন্দষ্ট্রিজ (কে.ভি.আই) সেক্তর হেন্না চাউখৎহন্নবগীদমক খাদি অমসুং ভিলেজ ইন্দিজ কম্মিসন (কে.ভি.আই.সি) না পায়খৎলিবা স্কিম অমসুং প্রোগ্রামশিং ঙসি কেন্দ্রগী মাইক্রো স্মোল মেদিয়ম ইন্টরপ্রাইজেসকী মন্ত্রি-জিতন রাম মানঝি অমসুং রাজ্য মন্ত্রি-সোভা কারন লাজেনা য়েংশিনখ্রে।

কে.ভি.আই.সি. অমসুং এম.এস.এম.ইগী ওফিসিএলশিং য়াওনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা কেন্দ্রগী মন্ত্রি-রাম মানঝিনা খাদিগী আর্টিসিয়ানশিং মতেং পাংবা অমসুং কে.ভি.আই. হেন্না চাউখৎহন্নবা করি থবক পায়খৎপা

য়াবগে হায়বদু য়েংশিনখি।

**পিএমঃ** কেন্দ্রদা পাল্লিবা এন.দি.এ. সরকারদা অহানবা ওইনা রাজ্য মন্ত্রি ওইরবা মন্ত্রিশিংগা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগা ঙরাং উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে।

সোসিএল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-মহাক্কী মন্ত্রি-মন্দলদা অহানবা ওইনা রাজ্য মন্ত্রি ওইরক্লবা মন্ত্রিশিংগা উন্নদুনা মখোয়না অহানবা ওইনা মন্ত্রি ওইরকপদা ফাওরিবা ৱাখল্লোনশিং অদুগী মতাংদা ৱারী শান্নখি। মহাকা হায়-লৈঙাক সাসন অসি হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগী মতাংদসু নৌনা মন্ত্রি ওইরক্লবশিংগা কুপা খন্নখি।